থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# নুপীশিংদা ক্রাইম! নুপাগী মীৎয়েং হোংদোকসি

কুমজা ২০১৭- অনৌবা চহী অসিগী অহানবা পুংফম চঙশিল্লকপা মীকুপ্পুগী অহিংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মরক্তা ঐবু খ্বাইদই থম্মোয় শোকহনখিবসি- বেঙ্গলোর সহরগী 'মাস মোলেস্টেসন', পাক্তক্লুনা লম্বী সড়ক'তা নুপীশিংগী ঈকায়খুম্নবা শোকপা থবক তৌবগী রিপোর্ট অদুনি। টেলিভিজন ন্যুজ চেনেলশিংদা উৎলকখিবা ভিদিও ফুটেজ, ন্যুজ পেপরশিংদা ফোঙনরকখিবা পাউ, বেঙ্গলোরদা লৈবা মরুপ মপাংশিংদগী লৌবা পাউ পুম্নমকসিদগী থম্মোয়সিদা ইহুল অমা ফাওরকখি। মদুদি নুপীদা চথবা মীওৎ-মীনৈ, ক্রাইম ময়াম অসিদা, নুপাশিংনা খল্লি, থৌদোকশিংদুগী মরাল- 'অৱাফমদা তারিবা' (ভিক্টিম ওইরিবা) নুপীশিং অদুগীনি। নুপাশিংবু কাইহৌবা, নুপীশিংননি। 'নুপীশিংনা শেৎলি-চারিবা ফিজোলশিং, লীচৎ-শাজৎ, ৱাঙাঙ-শাঙাঙনা নুপাশিংবু কাইহৈই... নুপীশিংবু সেক্স ওবজেক অমা ওইনা উহল্লি...' নুপাশিংনা তোয়না শীজিন্নবা ৱাঙাঙনি। চহী চা কয়াগী মমাঙদগী নুপীশিংবু হন্থনা য়েংলকপা, ইমুংগী চাকথোং-ফৌসু তৌনবা, মচা-মশু-শুথাং শন্দোকহন্নবগীদমক শেল্লকপা থৱায় পানবা অমনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুদগী ঙসি ফাওবা নাম্ভোকপা ঙমদ্রি। লাইবক থীবদি মসিনি। বেঙ্গলোরগী থৌদোক অদুদা নুপা মখল অনী থোক্লকই- লম্বীদা চৎলিবী নুপীশিংবু ইফোং ফোংনা অচৎ অওকশিংগী মমাঙদা ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবা কাঙলুপ অমা, অদুগা, অদুগুম্বা থবক অদু উরগা থিংবগী মহুত্তা য়েংদুনা নুংঙাইবা লৌবা কাঙলুপ অমা। মখোয় অনীমক্লা হায়- মিহৌনিংঙাই ওইবা ফিজোল শেৎতুনা হকচাং কয়াৎ উৎথোক্লিবা করিগীনো? অমম-অথেংদা, অসিগুম্বা পুংফমদা করিগী নায়তোম চৎলিবনো?... কনাগুম্বী নুপী অমনা অথেংবদা নায়তোম চৎলম্বা, নুপা অমনা থেংনরবদি নুপীদু রেপ তৌগদবনি হায়রিবরা?... পাউ অসি তাবদা/পাবদা ঐগী থম্মোয় শোকখি।



বেঙ্গলোরগী থৌদোক্তুনা উৎখিবা নুপা মখল অনীদুদা ঐদি করম্বদা য়াওবগে? 'ঐহাক্না উরম্লবদি এটেক্করশিংবু এটেক তৌরমগনি' হায়বা অহুমশুবা কাঙলুপ অমা থোরক্লবদি ঐহাক অদুগুম্বা কাঙলুপ্তুদা য়াওরমগনি। অদুবু, হৌজিকমক্কী ওইনদি- পাউদু তাবদা খোয়শাউনরবা মীচম অমা ওইননি পাউদম অসি ইরিবা।

নুপীদা চথবা ক্রাইম- মালেমগী মফম পুম্নমক্তা থোক্লগসু, 'ইন্দিয়া'- সেক্স ক্রাইম খ্বাইদগী মশীং য়াম্না থোকপা লৈবাক্লি। ইন্দিয়াগী মনুং চন্না লৈবা ষ্টেট অমা ওইরুবনা, 'মণিপুর'সু মায়কৈ অসোমগী (নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী) ঈজৎ ঙাক্লিবা ষ্টেট অমা শোয়দনমক্কী ওইরম্মি। চহী অমা অনীগী মমাঙদা, ইম্ফালদা ফোঙবা পাউ-চেশিংদা 'ফম্লানলগা হাৎতোকপীরম্লে' হায়বা পাউ, পাবা তনবগী থাক অদুদা ফোঙনরম্লবনি। পাউ-চেশিংগী রিপোর্টর'না পাউ লৌবা তনবদগী নৎত্রগা অদুগুম্বা পাউ ফোঙবগী অথিংবা থম্বগুম্বা অমদগী ফোঙনদবা ওইরমগনি। অদুগুম্বা থৌদোক্তি থোক্লমখিগনি ঙসিসু। হাৎপা-তুপ্পা য়াওদবগী মীয়াম-খঙবা-পাউ ওইরক্তবা ওইরম্মি।

লমচৎ ৱারকপা ঙমদবা নুপাশিংনা, নক্লনা লৈমিন্নবা নুপীশিংদা চথুবা মীওৎ-মীনৈ নত্তবা, লৈবাক অনী নুংশিনদবা, লান তৌদুনা য়েংথিনবগী থৌদোক্তা নাকল অনীমক্কী লান্মীশিংনা য়েক্লবা লৈবাক অদুগী নুপীশিংবু ওৎ-নৈদুনা, মশাগী ঈখৌ লাংবা কোকথোক্লরগা লমন খুন্বা শক্লরিবনি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মনুংদা রুসিয়ান লান্মীশিংনা জর্মনগী ঙমখৈ লান্না লান্দাশিল্লক্তুনা শুপ্পগী অহিং অমখক্তংদা, মশাগী চহী ৮৪ শুরবী অমা য়াওনা নুপী ৭২, মশীং য়াম্লবা লান্মীশিং অদুনা ঈজৎ খোঙ্গোয়নরগা হাৎখিবগী ৱারী ইরম্বা থেংনৈ। থৌদোক্তুদা হিংহৌবী নুপী অমনা, মাগী মমাঙমক্তদা চহী নিপানখক্তা ঙাইরিবী অমবু রুসিয়ন লান্মীশিংনা অহিংচুপ্পা শরাক তম্লগা হাৎখিবগী থম্মোয় শোক্লা ৱারী ইরমখি।

হোন্দা কৎসুইচি কৌবা জাপানিজ জর্নেলিষ্ট অমনা ইরম্বা লাইরিক 'নিয়ানজিংগী মীহাৎ' হায়বা, মশামক্লা হকথেংননা থিজিনবগী রিপোর্ট অদুদা, মালেমদা ঈকায়নিংঙাই ওইরবা জাপানিজ লান্মীশিংগী শারমচৎ কয়াদুগী ৱারী ইরম্মী। লান্মীশিংদুনা মশা ৱাই শংদ্রবী নুপীশিংবু ওৎ-নৈরগা ফিনুংদা বোম পোকখায়হল্লগা হাৎপা অমদি চাচেনবী মমাবু ওৎ নৈরিঙৈ অঙাং কপ্লকপদা অঙাং অদু ব্রোং ব্রোং শৌরিবা ঈশিংদা লংশিন্দুনা হাৎপগী ৱারীনচিংবা তুংজুংলবা থৌদোকশিং ইরম্মী।

বাংলাদেশকী নীংতম লান'দা পাকিস্তানগী পাঠান লান্মীশিংনা বাংলা নুপীশিংবু, ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা পাকিস্তানি মুস্লিম নুপীশিংবু ওৎ-নৈখিবগী মশীং থীঙমদ্রবা ৱারী লৈ। বি এস এফ'তা কেপ্টেন ওইনা, ১৯৭১- ইন্দো-পাক-ৱার য়াওরুবা মীতৈ মচা আর্মি ওফিসর অমনা লীরম্বা কাউঙমদ্রবা ৱারী কয়াসু লৈ। ১৯৯১ দগী ১৯৯৯ ফাওবগী বোসনিয়া, কোসোভো অমদি য়ুগোস্লাভিয়াগী লান'দা মশীং লাকঙমদ্রবা নুপীশিং হোইজিন্দুনা থম্লগা 'রেপ কেম্প' হাংদোক্তুনা থম্বগী তাহৈদ্রবা ৱারী কয়া তাখি। বোসনিয়াখক্তদা 'বোসনিয়ান ৱার' মনুংদা নুপী ৫০,০০০ হেন্না ফম্লান্দুনা ওৎ-নৈখিবগী ৱারী লৈ। হৌজিক হৌজিকমক ফোং ফোং শানা লান শোক্লরিবা আই এস আই এস (ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া) গী লান্মীশিংনা 'য়াজিদি' ত্রাইবকী নুপীশিংবু ফাদুনা লান্মীশিংগী ঈখৌ লাংবা কোক্লনবা থাবগী ৱারী ইনরি। এলেপ্পোগী নুপীশিং, আই এস আই এসকী খুৎতা তাখিদৌ শরুক আত্মাঘাৎ তৌজবনা হেন্না ফৈ খন্দুনা মশা মথন্তা হাৎতোকচবসু কোঙ্গায়নি। ইরমদমসিদা ইন্দিয়ন আর্মিগী মখুৎ চন, শারাক্কী ভিক্টিম ওইখ্রবীশিংদুগী ৱারীদি লোৎশিন্দুনা থমজরবনি। ইমা ভারত, ইমা মণিপুর মিঙ্গৌজদুনা, নুপীবু ইমা-মিংগৌনরিবনি। অকৌবা ফ্রোক শেৎপগী মরাল-সীগনি হায়বা নুপাশিংগী মীৎয়েং অসি হোংদোকসি।

লৌশিং পুক্কে

# রেদ মীট চাবগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবশিং



অনৌবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টতা হেন্না রেদ মীট চাবনা কিদনি ফেল ওইহনবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী মীরোলনা শা চাবগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সী কে দি) অমসুং এন্দ ষ্টেজ রিনেল দিজিজ (ঈ এস আর দি) নাবগী চাং হেনগৎলক্লে হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি। এন্দ ষ্টেজ রিনেল দিজিজনা মরম ওইরদুনা মীওই কয়া দাইয়ালাইসিস অমসুং কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগী মথৌ তারি।

ষ্টদি অদুগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অয়াম্বা মতমদা রেদ মীট চাবা মীওইশিং ঈ এস আর দিগী রিস্ক চাদা ৪০ রোম হেনগৎলকই। অমরোমদা, রেদ মীটকী মহুৎ য়েরুম, শঙ্গোম, নুঙ হৱাই অমসুং মনা-মশীংনা শিল্লবদি ঈ এস আর দিগী রিস্ক চাদা ৬২ রোম হন্থহনবা ঙম্মী হায়রি।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট অমনা চাংদম্নদুনা য়েংবদা মনা-মশীং খক্তা চাবা মীওইশিং কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৪০ রোম হন্থে হায়বা খঙলকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতসু রিছার্চরশিংনা সবেন্থ দে এদভেন্টিষ্টকী মীওই কাঙবু অমনা চাবা-থকপগী মওং-মতৌ কূপ্পা য়েংশিল্লম্মী। মৈখু শীজিন্নদবা, য়ু থক্তবা অমসুং শা-ঙা চাদবা মীওই কাঙবু অসিগা নুমিৎ খুদিংগী শা চাবা অতোপ্পা মীওই কাঙবু অমগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা শা চাবা মীওইশিং অদুনা কোলোন কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৪০ রোম হেল্লি হায়বা খঙলকখি।

শা চাবনা কেন্সর ওইহল্লকপগী মতাংদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, ফাইবরগী শরুক য়াওদবা শা মখল খুদিংমক্তা এনিমেল প্রোটিন, সেচ্যুরেটেদ ফেট, হেটেরোসাইক্লিক এমাইন (ঐচ সী এ) অমসুং পোলিসাইক্লিক এরোমেটিক হাইড্রোকার্বোন্স (পি এ ঐচ) য়াওই।

মৈশা পীদুনা শা থোংবা মতমদা থাদোরকপা ঐচ সী ও অমসুং পি এ ঐচনা মীওইবদা কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহনবনি। মসিদসু নৎতনা শা মখল খুদিংমক্তা ফেটকী শরুক কা-হেন্না য়াওই। মদুনা মরম ওইরদুনা হোর্মোন মখল অমা থাদোরকপদগী ব্রেষ্ট কেন্সর অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সরগুম্বা হোর্মোনগা মরী লৈনবা কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকপনি।



হায়খি, নোংচুপ লৈবাকশিংদা থেংনরিবা কেন্সর নাবগী কেস চাদা ৩০ রোম চীঙ্গাক্তগী ওইহল্লকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা কূপ্পা থিজিনবদা শা চাদবা মীওইশিং কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক নেম্মী হায়বা খঙলকখি। ইংলেন্দ অমসুং জর্মনিদা শা চাবা মীওইশিংগা

কুমজা ২০০৭ তা অমেরিকন ইন্সটিট্যুট ফোর কেন্সর রিছার্চ (এ আই সী আর) না ফূদ, ন্যুট্রিসন অমসুং কেন্সর প্রিভেন্সনগী মতাংদা রিপোর্ট অমা ফোঙলকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়খি, ওকশা, ষণশা অমসুং হামেংশানচিংবা রেদ মীট চাবনা ইসোফেগস, লংস, পেনক্রিজ, ষ্টোমাক, কোলোরেক্টম, এন্দো-মিট্রিয়ম অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

নোংচুপ লৈবাকশিংগা য়েংনবদা জপানগী মীওইশিংনা ফেটকী শরুক নেম্না য়াওবা চীঙ্গাক চাবা হেল্লি। মরম অদুনা জপানদা ব্রেষ্ট কেন্সর নাবগী চাং নেম্মী। অমেরিকানশিংদি শা য়াম্না চাবগা লোয়ননা ফেটকী শরুক য়াওবা চীঙ্গাক কা-হেন্না চায়। জপানদা ব্রেষ্ট কেন্সরগী চাং নেম্না লৈরবসু জপানগী নুপী মচাশিং নোংচুপলোমগী চীঙ্গাক পীজরগা য়োকপা মতমদা ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা থেংনরম্মী। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ফেট য়াওবা চীঙ্গাক চাবনা হকচাং মনুংদা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবা হোর্মোন পুথোরকপননি।

শংহাই ৱিমেন'স হেল্থ ষ্টদিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সোই প্রোটিন পীজরবদি থাগী খোঙকাপ খমগদৌরবা নুপীশিংদা ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়রি। ফেটকী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঙ্গাক, মরু ওইনা শা, দাইরিগী পোথোক, থাউদা তাউবা চীঙ্গাক চাবনা নুপীগী হকচাং মনুংদা অহেনবা ইষ্ট্রোজেন (হোর্মোন) পুথোরকই। মদুনা মরম ওইরগা ব্রেষ্ট অমদি অতৈ কয়াৎশিংদা কেন্সর সেল শেমগৎলকপা য়াই। পূন্সি চুপ্পা ফেটকী চাং নেম্না য়াওবা চীঙ্গাক চারবদি কেন্সরগী রিস্ক হন্থহনবা ঙম্মী।

কুমজা ২০০৩ দা জর্নেল ওফ নেসনল কেন্সর ইন্সটিট্যুটতা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, নুপীমচাশিংনা মশাগী চহী ৮ শুরকপদগী হৌনা ফেটকী চাং নেম্না য়াওবা চীঙ্গাক পীজরবদি ইষ্ট্রোজেনগী চাং হেনগৎলক্তে। মরম অদুনা ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্কসু হন্থে। হার্ভার্দ য়ুনিভর্সিটি অমদি ওন্টারিও কেন্সর ইন্সটিট্যুটনা চথখিবা ষ্টদিশিংদসু চপ মান্নবা রিপোর্ট ফংলম্মী।

অমরোমদা হার্ভার্দ স্কুল ওফ পব্লিক হেল্থকী রিছার্চর কাঙবু অমনা থিজিনবদা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা রেদ মীট চাবা মীওইশিং পূন্সি তেল্লি হায়বা খঙলকখি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদসু রেদ মীট চাবনা দাইবেটিস, কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ অমদি অকক্লবা কেন্সর মখল খরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা খঙখ্রবনি।

রেদ মীট তোয়না চাবা মীওইশিংগী ঈদা য়াওবা কোলেষ্টেরোল ৱাংখৎলকপা মরম্না থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকই। কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্কসু হেনগৎহল্লি। অদুম ওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনগদবা ৱাংলি।

# চহী তরেৎ খুন্তাকপা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে



জিরি, জান্যুৱারী ১০ (ঐচএন এস) :

লখিপুরগী পোইলাপুল কম্যুনিটি হোলদা লময়ানবা অরাম্বম সমরেন্দ্র ফাউন্দেসন, লখিপুর অমদি সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন লোয়ননা পোইলাপুল মীতৈ মরুপ, পোইলাপুলনা পুন্না খুৎশম্নদুনা ১৮৩ শুবা মহারাজ গম্ভীর সিংহ নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা চহী তরেৎ খুন্তাকপা নীংশিং নুমিৎ থৌরম তোঙান তোঙানবা থৌরম পরেংশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

ঙরাং অয়ুক অঙনবদা অরাম্বম সমরেন্দ্র ফাউন্দেসনগী চ্যেয়রপর্সন সৌবাম জয়েন্তিনা লুপকী ফিরাল চীংখৎতুনা হৌদোকখিবা থৌরমগী অহানবা সেমিনর সেসনদা বরাক তম্পাক্কী শক্লাইরবা হিষ্টোরিয়ন চোংথাম গৌরনা মোদেরেটর ওইখিবগা লোয়ননা স্কোলর ডা. য়ুম্নাম মনিধন অমদি ডা. কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমনা তোঙান তোঙানবা রিছর্স পেপরশিং পাথোকখি।

সেমিনর সেসন অদুগী তরাম্না ওকপা অমদি হৌদোক ৱারোল পীরদুনা বরাক তম্পাক্কী শক্লাইরবা থিয়েটর দিরেক্তর য়ুম্নাম ইন্দ্রবাবুনা ফোঙদোকখিবদা, মশীং লীকচরবসু মালেমগী ফম্বাক্তা মণিপুরী ফুরুপ অসিনা লিংজেল মান্ননা হিংবা ঙম্বা ওইরসনু হায়বা পাউজেলসিনা মাঙদা থমদুনা ঙসিগী থৌরম অসি শীনবনি হায়খি।

নুংথিলদা পাঙথোকখিবা অফোঙবা মীফম শনশেম্বম নবদিপনা চ্যেয়র লৌদুনা হৌখিবতা নত্তনা অসামগী এ সী এস ওফিসর লোয়ননা ওল অসাম ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফাউন্দর সেক্রেটরি কাঙবম শান্তিকুমারনা অথোয়বা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াই, ডা. রাজকুমারী তম্ফাসনানসু অখন্নবা ৱাফোং পীদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা বরাক তম্পাক্কী শক্লাইরবা অহল ওইরবা মীওই মরি মথংশিংনা হৌবম গৌরহরি, হুইরেম মোদোন মোহন, মৈস্নাম ভুবোন অমদি হৌরাম্বম কুন্দলালবু লময়ানবা সমরেন্দ্র ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী শকখঙ চে পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, নোংমা চুপ্পা চথখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা জনহাবী পব্লিকেসন্স লখিপুরনা পুথোকপা লিটরেরী জর্নেল সনা লৈপাক অমদি হৌরাম্বম কুন্দলালনা ইবা কাছার লৈশেম কৌবা লাইরিক মায়খুম হাখিবগা লোয়ননা কেঐচ ব্রজেন্দ্রনা ইবা অদুগা য়ুম্নাম ইন্দ্রাবাবুনা দিরেক্সন তৌবা ইমাসু নতুং ইল্লক্কে হায়বা দ্রামাসু নেসনেল থিয়েটর সেন্তর, অসামগী অর্টিষ্টশিংনা শান্নখি হায়রি।

# 'নাচৌ গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা খুঙ্গংশিং অৱাৎপনা পীক থল্লে'

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচ এন এস) :

বিষ্ণুপুর এ সীগী মনুং চনবা নাচৌ গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা খুঙ্গংশিং অৱাৎ-অপানা পীক থল্লে হায়না সিনিয়র সিটিজন ফোর সোসাইটি, বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি হেরামোটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯৮১-৮২ দা লৈঙাক্লা হাংদোকখিবা নাচৌ প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সব-সেন্টর অসিসু চহী ১৫ রোম অসি ডোক্তর অমসুং ষ্টাফ থম্বীদবনা অহাংবা শঙলেনশিং মিরাং থাংদুনা লৈরি।

গ্রাম পঞ্চায়ট অসিদা লৈরিবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অয়াম্বনা মথৌ তৌদবতা নত্তনা কনানা ৱার্কর, কনানা হেল্পর ওইরিবগে হায়বদু খঙনদবমখৈ কাউনবা য়াওরে। মমিংখক্তা লৈবা সেন্টরখক্তা ওইরি।

গবর্ণমেন্টকী স্কুলশিংসু অদুমঙাই মহৈরোয়শিংদগী ওজা মশিংনা হেল্লক্তুনা নোংম-নোংমগী শিথরক্লি। লম্বী-থোংগী মতাংদসু খা-পোৎশংবম, নাচৌ, ক্বাসিফাই, খোইজুমান, ঙাইখোং খুলেন, ঙাইখোং সিফাইনচিংবা ফাওনরিবা আই ভি আর অসি মতম শাংনা য়েংশিনবীদবদগী কোমকুৎ, অকায়-অতোয়না পীক থল্লে। অশোন-অনা, গাড়ী মচা অচৌবা চৎপদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরি।

শান্ন-খোৎনবগী হীরমদসু মমিং লৈজরিবা খুঙ্গং নাচৌগী ওইনা লৈজরিবা অমত্তা ঙাইরবা শান্নবুং অসি মতম শাংনা শেম্বীদবা, দ্রেন শেমদবা, ফেন্সিং লৈতবা, মওং তানা লেভেলিং তৌবীদবা কয়াসিনা মরম ওইদুনা শা-ষনগী ষনজাবুং ওইদুনা লৈবনা শান্নরোয়শিংনা নীংবা কায়না খাংলি। ঈশিংদা ঙা মচা, ঙাচকনচিংবা অমোৎ-অকায় য়াওবা চুমথোক্তবা ঈশিংনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না হঙ্গোইনবা লায়না মখল কয়া পোক্লিংঙাই ওইবদগী মীপায়নরি। ফীভমসিদা মীয়াম্না লৈঙাক্তা হন্না হন্না ৱাকৎলবসু তাবীদনা লৈরক্লি।

মতম শাংনা তাবীদনা লৈরক্লিবা অসিদা শেম্বীরক্লবা মীয়াম্না থাজবা থল্লি। নাচৌ গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা খুঙ্গংশিং অসি হীরম কয়াদা অৱাৎপনা পীক থন্দুনা লৈরি। আই ভি আরশিং মতম চানা শেম্বীদবনা অকায় অতোয়না থল্লে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ময়াই কাবা চীঙ্গাক মুখৎনবা য়াওনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচ এন এস) :

খুরাই কোন্সম লৈকায় অপুনবা নুপী লূপনা খুরাই কোন্সম লৈকায় ইপুম মপাল মৈরা শঙদা থা অসিগী ৮ দা লৈকায়গী অহল-লমনশিং য়াওনা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়না ইপুম মপাল মৈরা লূপকী প্রসিদেন্ট কৈশাম ওংবী লোইতাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি, অহানবদা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা, য়োনবগী মতাংদা অকনবা খোঙজংগা লোয়ননা লোগী মতেং লৌরগা চৈরাক পীবা অমদি মুখৎনবা হোৎনবা, অনীশুবদা, লাক্কদৌরিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা লৈকায় অমদি এ সী অসিগী চাউখৎ খোঙথাংদা অমুক্কা হেন্না খুন্মাং চাউশিনবা পুরক্লবগীদমক খুরাই কোন্সম লৈকায়দা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা কেন্দিদেট অমত্তদগী চাক-ঈশিং চানবা অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নদবা, করিগুম্বা হায়রিবা থবক অসি কনাগুম্বনা উশিৎ-থওইদনা চথরকপা থেংনরবদি মসিদা মৈরা পায়বীনা লেপ্পা ৱারেপ খুদিংমক মশানা য়াজগদবনি। লৈকায় অসিদা জ্বার শান্নবসু অথিংবা থল্লে।

অহুমশুবদা ৱারেপতা, খুরাই কোন্সম লৈকায় ইপুম মপাল খুল্লক্তা অতোপ্পা লৈকায়দগী লাকপা নহাশিং ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা অমসুং চঙবসু অথিংবা থল্লে হায়বা অসিনি। লৈকায় অসিদা লৈরিবা য়ুমথোঙ খুদিংদগী নুপী অমমম থোরক্তুনা লৈকায়গী ওইবা অমদি লৈবাক্কী ওইবা থবক থৌরমশিংদা য়াওবীয়ু। করিগুম্বা য়াওদবা তারবদি মখোয় মখোয়গী ৱাথোক অমা লাকপদা মীয়াম চঙদবা হায়না অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নোংমৈশিং থম্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ : জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা লাইসেন্স নোংমৈশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পুলিস ষ্টেসনশিংদা থিনগৎলক্কদবনি হায়না ওফিসর ইন-চার্জ জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন এন জি য়াইস্কুলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা এম সী সীগী গাইদলাইন মতুংইন্না খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়নসু চেরোল অসিদা পল্লি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা থমহৌদবা মীওইশিং লোগী মতুংইন্না চৈরাক ফংগনি হায়নসু মখা তারি।

# ভিলেজ চীফ হাৎলম্বা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচ এন এস):

এন গামনোম ভিলেজ চীফ ওৎখোমাং মাতে (৫৭) অমদি চর্চকী হেদ দেকোন তিলপাও হাওকিপ (৫১) বু থা অসিগী ৬ তা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বশিংনা ফাদুনা পুখ্রগা হাৎলম্বা থৌদোক অসি কন্দেম তৌই হায়না থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, চান্দেলগী জেনরেল সেক্রেটরি লিয়ান থাদৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা গামনোম ভিলেজগী চীফ ওৎখোমাং মাতে অমদি চর্চকী হেদ দেকোন তিলপাও হাওকিপপু থা অসিগী ৬ তা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা মথংগী নুমীৎ থা অসিগী ৭তা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখি। মীহাৎ মীপুনগী ফিল্ড অমা ওইরকপগা লোয়ননা মীচমশিং হিংবদা সেব অমদি সেক্যুর ওইদবগী মওং ফাওরে। ষ্টেট অসিদা সেক্যুরিটি পার্সনল মশীং য়াম্না লৈরি। অদুবু মীয়াম সেব ওইদবা ফীভম অমদা লৈরি। মীচম মীয়াম্বু ঙাকপা ঙমদ্রবদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক করিনো। লৈঙাক্লা মীচম মীয়াম্বু ঙাকপা ঙমদ্রবদি য়ুমথোঙশিংদা সেক্যুরিটি গার্দ থম্বা মথৌ তাগদৌরিবরা নৎত্রগা মশা ঙাকথোকচনবা নোংমৈ থম্বা তারিবরা হায়বা ৱাহং লাক্লি।

লৈঙাক্লা কম্পেন্সেসনগী শেনফমনা মীওইবগী পুন্সিগা ওন্নবা য়ারোই হায়বসি খঙগদবনি। হাৎপা তুপ্পগী থবক লেপ্পা মথৌ তাই। মীহাৎ মীপুনগী থবক চথরিবা অসিগী মরম খঙহনফম থোকই। লৈঙাক্লা মরাল লৈবশিং অথুবদা ফাদুনা জষ্টিস পুরক্লবা হোৎনগদবনি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা এন গামনোম ভিলেজগী চীফ এস ওৎখোমাং মাতে (৫৭) অমদি ভিলেজগী চর্চকী হেদ দেকোন তিলপাও হাওকিপ (৫১) অসি থা অসিগী ৬ কী অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বা মীওই খরনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা থংনবা নুমীৎতা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবনি। মণিপুর অসি কিল্লিং ফিল্ডগী ফীভম লাকপগা লোয়ননা মীচম মীয়াম্না হিংবদা সেব অমদি সেক্যুর ওইদবগী ৱাখল ফাওহল্লে। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়নসু টি এস এ চান্দেলনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পি এফ ও আইগী চ্যেরমেন খনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচ এন এস) :

পোপুল্লর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল জেনরেল এসেম্ব্লী কেরেলাগী মলাবর হাউসতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঈ অবুবেকরবু চ্যেরমেন ওইনা খনখ্রে হায়না পোপুল্লর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেটকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পোপুল্লর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী থৌ পুনবগীদমক খল্লবা অতৈ ফঙ্কসনরিশিংদি ভাইস চ্যেরমেনদা ওমাস সলাম, জেনরেল সেক্রেটরিদা মহম্মদ আলি, সেক্রেটরিদা অব্দুল ৱাহিদ অমদি অনিশ অহম্মদ, ত্রেজররদা মুহম্মদ সাহবুদ্দিননি।

নেসনল ইগজিক্যুটিব কাউন্সীল মেম্বর ওইনা খনখ্রবশিংদি, কে এম সরিফ, এ সাহিদ, অব্দুল রহিম, কুতি ফৈজি, অব্দুল সমদ, পি কোয়া, এ এস ইস্মৈল, মহম্মদ য়ুশুপ, মহম্মদ রোসন, মোইদিন অমদি অসরফ অনকাজালনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# কিহন-খঙহনবগী থবক তৌবশিং ফাবীদে হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএন এস) :

ৱাবগাই এ সীগী মনুং চনবা ৱাবগাই মাইরেনবম লৈকায়দা থা অসিগী ৬ তা থোকখিবা মীখলগা মরী লৈননা মীওই খরনা নোংমৈ পায়রগা কিহন-খঙহল্লম্মী হায়বগী ৱাহৌদা মরাল লৈরে হায়বা মীওইশিং ঙসি ফাওবদা ফাদে হায়না ৱাবগাই য়াংবী মনিং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা এ সী অদুগী বি জে পিগী এক্সপিয়ারিং কেন্দিদেট ময়েংবম রঞ্জিৎপু শৌগৎপা মীওই কয়ানা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাবগাই সোসল ৱেলফ্যের ক্লব অমদি ৱাবগাই মাইরেনবম মৈরা পায়বী লূপনা পুন্না শীনখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা লমদম অদোমগী মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। নোংমৈ পায়রগা কিহন খঙহনবগী থবক চথুবা য়ানিংদে হায়না ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী কয়ানা ফোঙদোকখি। ৱাবগাই য়াংবী মনিং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী কয়ানা ৱাফম



কয়াসু ফোঙদোক্লকখি।

অমরোমদা, মীয়ামগী মীনুংশি অমদি তৌখিবা থবকশিংগী মহয়না মীখল মায় পাক্কদবদা মীখল ময়াদা মীয়ামদা নমথাক তৌবা অমসুং নোংমৈ শীজিন্নদুনা কিহন খঙহনবশিং চৈরাক পীয়ু হায়না ৱাবগাই মাইরেনবম মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি ময়েংবম ওংবী ইন্দ্রানিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনবদা ইন্দ্রানিনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা ১১শুবা মণিপুর এসেম্ব্লি মীখলদা ৩৬-ৱাবগাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দা বি জে পিগী মীরেপ ওইগনি হায়দুনা টিকেট তান্নরিবা ডো. উশম দেবেনগী ৱার্করশিংনি চিংনবশিংনা থা অসিগী ৬কী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা এ সী অসিদা মীরেপ ওইনবা হোৎনরিবা ময়েংবম রঞ্জিৎতা খৎনবা হৌবা লাকপা মীওই অমা মৈরা পায়বীশিংনা ফারবা মতুং ককচীং পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে।

নোংমৈ পায়দুনা মীয়ামদা কিহনখিবগী মরাল শীরদুনা ফারে হায়রিবা মীওই অদু কৈরক খোংনাংখোংদগী থৌনাওজম অবোই (৩২) অপোকপা নিলোনি। অতৈ ৱার্করশিংদি লৈকায়গী মীয়াম অমদি পুলিস ওমশিল্লকপদগী মফমদু থাদোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ফারবা টি ঐচ অবোইনা তিল্লিবা মীয়ামদা লাল্লে হায়জখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা সোসল ৱেলফ্যের ক্লব অমদি ৱাবগাই মাইরেনবম মৈরা পায়বীনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী খুথাংদা চেরোল থাদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবিনবা তকশিল্লগনি।